# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-32

**(Major Climate Agreements-II)**

*Script :*

**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপা:- (১) কোইরেং- লৌমী (২) নোংপোকঙানবা -এসিস্টেন্ট প্রোফেসার
(৩) থানিল - কলেজ ষ্টুদেন্ট

নুপী:- (১) মনিলৈমা - কোইরেংগী নুপী
(২) থাইবেম্মা - কোলেজ ষ্টুদেন্ট

(মতম:- অয়ুক পুং ১০মুক তাবা মতম, মফম কোইরেংগী য়ুম, ইরাং লাংবগী মওং)

থানিল :- থাইবেম্মা... থাইবেম্মা ... নঙবু কৈদৌরিগে হৌজিক ফাওবা লোইদ্রিবরো?

মনিলৈমা :- থানিল কৈদৌরগে নঙনা হোবে হোবে নংহৌররোইদবগী মতাদৌনা তৌরিদুবো, ঐখোয় ইবেম্মগা নবানিবু ঙসি কদাইদা চৎকদৌরিবনোনে, নোয়বু কলেজ ছুটি থারি হায়দাইনে।

থানিল :- কলেজপুদি ছুটি থারিয়ে ইনে, ঐখোয় তাচৌনা ঐগী সাইকল অহনবা অমা লৈবিরকএ, সাইকলসিদা থাইবেম্মা ইবানি তোংমীন্নরগা ঐখোয় খুনগী লৌবুক লমহাং, লৈরক-খুল্লক পুন্নমক কোইথৌ থৌদুনা কোইরুগে তৌবনিদা।

মনিলৈমা :- (নোকপা) কৈনো নোয় তাচৌদুবু লৈবিদনা লৈবিরদি বাইকনি খঙদে, স্কুটিনি খঙদে লৈবিবা য়াদে হায়বরো, সাইকলদু থৌরগা নবানিবু কদায় কদায় য়ৌনবু চৎপা ঙমগদগেনে।

কোইরেং :- মনিলৈমা ! করিনোনে নোয়না ঙাংনরিদুবো, করি তৌবা য়াওরগেনে, ঐদি ইশানা মরোল অমা ঙমদবনে, স্বরসু ইফুন ফুল্লি, লোকসু য়াম্না খুরে (লোক খুবা)।

থানিল :- কৈসু নৎতেদা মাম্মা, থাইবেম্মা ইবানি সাইকল তোংলগা কোইরুগে তৌবনিদা। মাম্মা হকচাং ঙমদ্রদি ফজনা পোত্থাদুনা লৈবিরো, লৌবুকতগা অমতা চৎপিরুরনু। থাইবেম্মদুবু মৰা-মখোলগা অমতা ঙসাইদগী তাদে, ঐ লাকই হায়সিবু মাবু খঙদ্রজাৎলনে।

কোইরেং :- মাদি চাকখুমদা চা লোনহৌবরা করিনোমা তৌহৌবনিনে, থাইবেম্মা... থাইবেম্মা (কৌবা) নঙবু থানিল লাকইসিবু খঙদ্রবরো, মপালদা অমুক্তা থোরকউ লাওনে।

থাইবেম্মা :- তারে, তারে বাবা, বাবা সে চাগা তলগা লৈরেসে, ফোং ফোং শারিঙৈসিদা চাহৌরো, ইমাগীসু লৈরে সিদা থম্মগে। থানিল লাকও ইবানিসু চারসি লাকও।

| | | |
|---|---|---|
| মনিলৈমা | :- | ইবেম্মা ! থানিলনা নঙগা সাইকল অহনবা তোংলগা কোইবা চৎকনি হায়রিসিবু নঙবু চৎকদৌরিবরো, ইকাইদরো নোয়বু সাইকল তোংলগা কোইবা চৎপদুবো। |
| থাইবেম্মা | :- | অওইবরো থানিল সাইকল তোংলগা কোইবা চৎকনি হায়রিসিবো। |
| থানিল | :- | অওইবনি, য়েংঙু তু ঐগী সাইকলসে ফজদরা, ঐখোয় তাচৌনা লৈবিবসে। |
| থাইবেম্মা | :- | নঙবু নোয় তাচৌনা নঙগী গাড়ী, মোটোরবাইক অমা লৈবিরকঅনি অদু তোংলগা কোইবা চৎলুসি হায়দাই অদুগা হৌজিক্তা সাইকল অহনবা অমা পুরকঅগা কোইবা চৎসি হায়রিসিবো, হৌজিকপু ঐবু নঙগী সাইকল কেরিয়ার মনিংদুদা নপ্পগা কোইবা চৎপা তারবা, ঙম্মোয় ঙম্মোয় ঐ কোইবগা অমতা চৎলরোই, নোয় তাচৌদুবু কোক বেরা খরা লৈরজাৎলনে, মনাওনুপা পাখংসিবু সাইকল তোংলগা কোইবা চৎলুচো হায়দুনা থারকইসিবো। |
| মনিলৈমা | :- | হোয়নে থানিল, নোয়গী নয়াম্বদু লাইরিক হৈবগী মতিক কোক বেরা লৈরমাল্লেদা। |
| কোইরেং | :- | হায় কৈনো নঙনা ঙাংঙিদো মনিলৈমা, কোক বেরা লৈরিদি নোয়নিনে, ইবুংঙো নোংপোকঙানবনা মনাওনুপাগীদমক সাইকল অমা লৈবীরিবসে ঐদি হরাওরিবনিনে। |
| থাইবেম্মা | :- | কৈনো ঐখোয় বাবানা অমুক ফরক তাশিল্লকইসিনা, অসুক চাওখৎলবা মতমসিদা মীপুম খুদিংমক্তা নুংঙাই নুংঙাইবা গাড়ী, কার তোংদুনা কলেজ কানরবা মতমসিদা ঐখোয়না সাইকল তোংলগা চৎতৌরিবা, ঐদি শুংঙম ঙল্লোই হায়রিসিনি, থানিলহোয়গী তাচৌনা বাইক লৈবিদ্রবনিনা ঐগীদি প্লেজর গাড়ী মচু অঙাংবা অমা লৈবিদবা সুংয়া য়ারোই হায়রিসিনি, হেক লৈবিদবদা কলেজগা অমতা কাররোই। |
| থানিল | :- | থাইবেম্মা, অমুক্তা শাওখিনুবা, ঐখোয় তাচৌনা ঐগী বাইকতু সুংলৈমক লৈবিরোই হায়বদি নৎতে সাইকল তোংদুনা ইরায় লায়না চৎপা ঙম্বা মফমশিংদুদি সাইকল তোংলগা চৎননবা হায়দুনা সাইকলসি হান্না লৈবিরকপনি হায়বা। |
| মনিলৈমা | :- | অদুবু করিগীনোনে নোয় তাচৌনা নঙবু সাইকল অদুক তোংহন্নিংলুরিদুবো? |
| থানিল | :- | ইনে, ঐখোয় তাচৌদি ইনভাইরোন্টমেন্টেল সাইন্সকী ওজানিনা, ইনভাইরোন্টমেন্ট অসিবু ঙাক শেন্দুনা মহৌশাগী ফিভম কায়হন্দনা থম্বা ঙম্লবা হোৎনবদা থৌদাং কয়া লৌরিবনি, মা মশাসু অয়াম্বা মতমদা সাইকল তোংদুনা নত্রগা খোঙনা অদুম চৎলিদা। |
| কোইরেং | :- | নোংপোকঙানবনা খল্লিবা তৌরিবা খুদিংমক অচুম্বা ঙাক্তনি, লাইরিক লাইশু কাহেন্না হৈহৌদ্রবা ঐ ফাওবা হৌজিক মালেমসিদা অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী মওং-মতৌ কাইরক্লিবা হোংলক্লিবশিং অসিগী মরম খংঙি, মসিদগী ঙাকথোকপা হায়বসিসু ঐখোয়গী ইথৌ নৎতরো, নোয়দি লাইরিক লাইশু হৈজরবসু গ্যান লৌশিংদি য়াওদেনে। |

থাইবেম্মা :- থানিল ! নোয় তাচৌ লাকএ, নঙ থীরকপা ওইরমাল্লে, নঙ নোয় তাচৌদা ঐখোয়দা চৎকনি হায়রমদবরা?

থানিল :- হায়রমদে, অস্বাইফাওদং চৎলুগে হায়রল্লগা লাকপনি কমায় তৌনি ঐখোয় তাচৌনা ঐ শোয়দনা চৈরনি।

মনিলৈমা :- ইবুংঙো নোংপোকঙানবা লাও লাও চংলকউ লাও, নঙবু সিদা সুম লাকপরা কদাই কদাই চৎলুবনোনে।

নোংপোকঙানবা:- ইনেহোয় মাম্মাহোয়সু উনদবা কুইরে হায়দুনা ঙসি নোংমাইজিং ছুটি ওইরিঙৈসিদা ঙহাক সুম কোইথোকচরকপনি, মাম্মদি অনা-অয়েক য়াওদেকো।

কোইরেং :- মাম্মসে হন্দক্তি হকচাংসে অইং-অশা ওন্নরকপগীরা খঙদে ইনুং-নুংঙাইতে।

নোংপোকঙানবা:- নুংদা নুংঙাইত্রগনা দোক্তর অমদা য়েংথোক্লুসি মাম্মা। এ ! থানিল, নঙদি সিদা কৈদৌরল্লিবা।

থাইবেম্মা :- তাচৌনা থানিলগী সাইকল ফজবা অমা লৈবিরকপসে ঐঙোন্দা উৎপা লাক্লিবনি (করেম্মনা হায়বা)।

থানিল :- থাইবেম্মা ! নঙ ঙসিদি ঐবু ইকায়বা য়াম্না পীরে, ঐ পুক্লিং য়াম্না নুংশি (ইকাইরপ, তপ্লপ হায়বা)।

নোংপোকঙানবা:- হৌজিক মালেমসিদা লৈরিবা মীওই বিলিয়ন তরেৎলোম হেনবসিনা নোংমা নোংমগী গাড়ী শিজিন্নবগী চাং অসি হেনগৎলক্লি। অদুনা ফোশিল ফ্যুএলশিং মরুওইনা গেসোলিন নত্রগা পেট্রোল, দিজলনচিংবশিং অসি গাড়ীশিংদা শিজিন্নৈ, হায়রিবা ফোশিল ফ্যুএলশিং অসিদগী হকচাং শোক্লিংঙাই ওইরবা গ্যাসশিং মরুওইনা কার্বোনডাইওক্সাইদ, কার্বোনমোনোওক্সাইদ, নাইট্রোজেল ওক্সাইদ, সলফর ডাইওক্সাইদনচিংবা এটমোস্ফিয়ারদা থাদোরকই। হায়রিবা গ্যাসশিং অসিগী চাং কাহেন্না এটমোস্ফিয়ারদা য়াওরকপদগী ইয়র পোল্লুসন থোক্লকপদা নৎতনা গ্লোবেল ৱার্মিংসু থোকহল্লক্লিবনি। অদুনা ঐনা ঐখোয় থানিলগী সাইকল ওইনা লৈবীবনি, থানিলগীদমক ঐনা বাইক, কার লৈবিবা ঙমদবদি নৎতে, অদুবু মফম তাঞ্জাগী মতুংইন্না শিজিন্নদবা য়াদবা মতমদদা গাড়ীশিং অসি শিজিন্নবা হায়দুনা তৌবনি, ঐ ইশামকসু অয়াম্বা মতমদা খোঙনা চৎপা ঙম্বা মফমশিংদদি খোঙনা অদুম চৎলি, ঐ য়ারিখৈ গাড়ী শিজিন্নদে।

কোইরেং :- মনিলৈমা ! চৎলুনে নঙবু ইবুংঙো নোংপোকঙানবগী চা গ্লাস অমতদি লোল্লুচোদনা।

নোংপোকঙানবা:- মাম্মা ঐগী ওইরদি য়াজরনি ঐ চা থকচদে, হৌজিক মালেমসিগী লৈবাক খুদিংমক্তুগী মীওই কয়ানা পুন্না হোৎনমিন্নদুনা মালেম অসিদা নুংশিৎ শেংহনলক্তুবা, শাবা হেনগৎলক্লিবা, অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী চাং কাইরক্লিবা কয়াসিদগী ঙাকথোক্লবা উপাই কয়া তৌনরবা মতমসিদা ঐখোয়সু ঐখোয়না অঙম্বা খরদং পাংথোকপসিবু ফৎতবরনে মাম্মা।

কোইরেং :- ইবুংঙোনা খল্লিবা নিংলিবা, পাংথোক্লিবশিং অসি য়াম্না ফৈ, ঐখোয়সু ঐখোয়না ঙম্বা খরদংদা ওইরবসু মালেম অসিবু ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী চৈথেংদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা থৌদাং লৌফম থোকই।

নোংপোকঙানবা:- অদুদি মাম্মা ঐ অমুক চৎচরগে, থানিল চৎসি লাকওদনা ঙসিদি ইনাওনা থৌবা সাইকলদুদা ইয়াম্বনা তোংলগা ঐখোয়গী খুলগী লৌবুক লমহাংগী কাইথরক্লবা ফিভমশিংসে য়েংলুসি লাকও।

থানিল :- হোয় তাচৌ চৎসি লাকও, ঙসিদি ঐ চোকথবা লৈতনা ঐগী সাইকল মনিংসিদা তাচৌবু পুদুনা কোইথৌ থৌদুনা চীংয়া তময়া পুম্নমক চৎকনি (চৎখিবা)।

থাইবেম্মা :- ঙাইখোও থানিল, ঐসু লাক্কে থানিল...।

-ম্যুজিক-

(মতম: অয়ুক অঙনবা, মফম: নোংপোকঙানবগী য়ুম, উচেক-ৰায়াগী নুংশিবা খোঞ্জেল)

থানিল :- তাচৌ, এক্সরসাইজ তৌবা লোইরবা নৎতরা, শঙ্গোম পুরক্কে সে সিদা থল্লগে।

নোংপোকঙানবা:- উম, লোইরে, নঙবু থক্লবরো শঙ্গোম, ঙসিদি কলেজসু কাগদবা ওইরিনিনে।

থানিল :- ঐদি ঙসাইনা থক্কে, নহালখৈ কলেজ ছুটি থারুরগা ঙসি কলেজ কাদোইসে তনবু তল্লি ঐদি।

নোংপোকঙানবা:- কৈনো থানিল নঙনা হায়রিদু, মতম চারিঙৈ নহে-নশিং মতিক চানা তানশিনহৌগদবনি, মীথোই মীহেনবা মীওই অমা ওইদুনা মালেমসিগী কান্নবা থবক খরদংদা ওইরসু তৌবা ঙল্লম্নবা হোৎনগদবনি, অদুগনে ঐ নঙোন্দা ঙসিদি ৰা অমা হায়গে।

থানিল :- কৈনো তাচৌ, করি ৰানো হায়গে হায়রিবো, ঙসি ঐগী চাক থোংবগী পালি নৎতে তাচৌগীনি, ঙসি ঐঙোন্দা চাক থোংঙুগদি হায়রক্কনুকো।

নোংপোকঙানবা:- মসি অঙাংসিদি, চাক থোংবগী ৰা নৎতেনে ঐনা হায়গে হায়রিসিদি।

থানিল :- অদুদি কৈনো প্রপ প্রপ হায়রকও, ঐ প্রাক্টিকেল নোট বুক শিনগৎকদবা য়াম ৰাৎলি, হৌজিক খরা শিনগৎকে তৌরিনি।

নোংপোকঙানবা:- মাম্মা কোইরেংগী মচানুপী থাইবেম্মগা, ইনে মনিলৈমগদু ঐ কয়া হৈনদে, অচাওরম য়াম্না কাবদৌনা তৌই, অদুনা নঙ মোয়দা পংতোই তোয়না চৎকনু, থাইবেম্মগসু য়াম্না নকশিন্না তিন্নগনু।

থানিল :- ঐখোয় তাচৌসিমা অদুগী ওইরে, থাইবেম্মগা ইনে মনিলৈমগদো মোয়না থোকপা পংঙাংদা ঙাংজবগী ৰানি মপুক্তি অদুম ফবনি মীগী মাংনবদি কৈসু তৌদবনি।

নোংপোকঙানবা:- মোয় ফৎতে হায়বদি নৎতেনে, ঐ কয়া হৈনদে মোয়গী মওংদো, মান্মা কোইরেংদি য়াম্না চমজবা মীওইনি মান্মগী খল্লুরবদি য়াম্না নুংশি।

থাইবেম্মা :- থানিল... থানিল... তাচৌ... তাচৌ... (কৌর কৌর চংঙকপা)।

থানিল :- কৈনো থাইবেম্মা, কৈদৌরগে হুইনগা চীকতোই তান্নরকপদৌনা স্বরগা হোন্দখৈ কৌরিদুবো।

থাইবেম্মা :- অদুবুরো... অদুবুরো... ঐখোয়গী ... (স্বর থবেৎ থবেৎ হোনবা)।

নোংপোকঙানবা:- সে চৌক্রিসিদা অমুক্তা মেন তানা ফমথৌসে অদুগা সে ঈশিং গ্লাসসিমসু তপ্না গ্যান তানা থকচিল্লুসে অদুগা নঙনা তম্লিংলিবা ৱাশিংদো ফজনা ময়েক শেংনা তন্মুসে।

থাইবেম্মা :- (ঈশিং থকপা, স্বর হোন্থরগা হায়বা) অদুবুরো তাচৌ, ঐখোয় য়ুমগা হেক তাইননা লৈবা খুরা তোলঙৌহোয়গী হাংদুনা লৈবা লৌফমশিংদুদা চেক্কোন থল্লনি হায়য়ে।

থানিল :- অওইবরো হায়রিসিবো, নঙদি কনানা হায়বদগী খংলিবা।

থাইবেম্মা :- খুরা তোলঙৌনা ঐখোয় বাবাদা হায়বদা ঐনা তাহৌবনি, ঐখোয় য়ুমগা হেক থংননা চেক্কোন লৈরবদি ঐখোয়দি শেংদবা ফৎতবা নুংশিৎ মরক্তা লৈরনি, লায়না কয়া নারনি, ঐখোয় বাবাদি হান্নদগী থবোম্মীগী লায়নাসু লৈরিবনি, কমাই তৌনি ঐখোয়দি (পাখৎপা)।

নোংপোকঙানবা:- ঙাইখো ঙাইখো অমুক্তা পাখৎখিনু, নখোয়দা নৎতে, খুনসিগী অকোয়বদা অমদি অনকপদা লৈরিবা মীওইশিংগী হকশেলদসু চাওনা অকায়বা ওইহল্লক্কদৌরিবনি।

থানিল :- তাচৌ চেক্কোনশিংদগী থাদোরকপা মৈখুশিংদসু হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা গ্যাস মখল কয়ামরুম য়াওইকো।

নোংপোকঙানবা:- উম য়াওই, চেক্কোনশিংদগী চেক শাবা মতমদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা টোক্সিক ইলিমেন্টশিং এস পি এম (সস্পেন্দেদ পার্টিকুলেৎ মেটর) মরুওইনা কার্বোন পার্টিকলশিং, কার্বোন মোনোওক্সাইদ, সলফর দাইওক্সাইদনচিংবশিং অসি চাং ৱাংনা থাদোরকই অমদি এটমোস্ফিয়ারদা তিনশিনখিদুনা ইয়র পোল্লুসন থোকহল্লকই। হায়রিবা টোক্সিক ইলিমেন্টশিং অসিনা ঐখোয় মীওইবগী মীৎ, খনাও অমদি লংসতা অমাংবা অকায়বা কয়া থোকহনবদা নৎতনা পীক্লিবা অঙাংশিংগী মেন্টল অমদি ফিজিকেল গ্রোথতা চাওনা অকায়বা থোকহল্লি।

থাইবেম্মা :- এটমোস্ফিয়ারদা হায়রিবা গ্যাসশিং অসি চাং ৱাংনা য়াওরকপদগী ওজোন লয়র পাথরক্তুনা গ্লোবেল ৱার্মিং থোরক্লিবা অসিসু নৎতরা তাচৌ।

নোংপোকঙানবা:- মানি, গ্রীন হাউস গ্যাসশিং মীওইবগী থবক থৌরম কয়াদগী কাহেন্না থাদোরক্তুনা নুংশিৎতা য়াওবগী চাং অসি অসুম অসুম হেনগৎলকপদগী গ্লোবেল ৱার্মিং থোরক্তুনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরক্লিবনি।

থানিল :- তাচৌ হৌজিক মালেমগী লৈবাক কয়ানা পুনশিন্নদুনা ওজোন লয়ার পাথরক্লিবা অসিদগী ঙাকথোক্নবা অমদি গ্রীন হাউস গ্যাসশিং থাদোরকপা হন্থহন্নবা প্রোটোকোল কয়া অমদি এগ্রিমেন্ত কয়া শেমদুনা লৈরে হায়বদাই, হায়রিবা ক্লাইমেৎ এগ্রিমেন্টশিংদুগী মরমদা খরদং তাকপীয়ুবা।

নোংপোকঙানবা:- মোন্ট্রিল প্রোটোকোল হায়রিবা অসি মালেমগী থাক্তা শেমখিবা ইন্টরনেসনেল ট্রিটি অমনি, হায়রিবা প্রোটোকোল অসিনা ওজোন লয়ার মাঙথরকপদগী ঙাকথোক্নবা অমদি ওজোন লয়ার পাথহল্লক্নবগী মরম ওইরক্লিবা গ্যাসশিং মরুওইনা ক্লোরাফ্লুরো কার্বোনস (সি এফ সি এস) শিজিন্নবা থিংবা অমদি হকচাং শোক্লিংঙাই ওইরবা গ্যাসশিং এটমোস্ফিয়ারদা থাদোরকপা থীংবা হায়বনচিংবশিং অসিনি।

থাইবেম্মা :- তাচৌ, মোন্ট্রিল প্রোটোকোল অসি করম্বা চহিদগী, করম্বা মতমদগী চৎনবা হৌখিবগে।

নোংপোকঙানবা:- মোন্ট্রিল প্রোটোকোল অসি ইং ১৯৮৭ কী সেপ্টেম্বর তাং ১৬তা শেমখি, হায়রিবা মতম অদুদা শুপ্নতগী লৈবাক ৪৬না সাইন তৌনখি অদুবু হৌজিক্তি চাওরাক্লা লৈবাক ২০০ রোমনা প্রোটোকোল অসিদা সাইন তৌদুনা য়াওরে। হৌজিক লৈবাক কয়ানা তোঙান তোঙানবা ক্লাইমেৎ এগ্রিমেন্ট কয়া অমসু শেমদুনা মালেম অসিগী মহৌশাগী ফীভম কায়রক্লিবা, ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরক্লিবা কয়াসিদগী ঙাকথোক্নবা পান্থে কয়া শেমদুনা লৈরে, নোংমা অমুক ঐ ফজনা ক্লাইমেৎ এগ্রিমেন্টশিংসিগী মরমদা তাকপীগে, ঙসিদি থেংলে নোয়বু কলেজ চৎকদবা নৎতরা?

থাইবেম্মা :- হোয় তাচৌ, তাচৌ ঐ তাচৌহোয়দা য়াম্না লানখরে, ঐ সুম খল্লুরগা য়াম্না ইকাইজরে।

নোংপোকঙানবা:- ইচন্না করি লান্দুনা করিগী ইকাইগদৌরিবনোনে।

থাইবেম্মা :- ঐনা অচাওরম পাল্লুবদগী তাচৌনা থানিলগী বাইক লৈবিবগী মহুৎতা সাইকল ওইনা লৈবীবদুদা নোক্লিংবা অমদি মীয়ামগা ৱাখল মান্নদে হায়না পুক্লিংদা ফাওরুই অদুবু হৌজিক্তি ঐগী অরানবা ৱাখল অদু ইতোমতা খঙজরক্লগা ইকাইজরিবনি।

নোংপোকঙানবা:- অদুগী ওইরে, ইচলনা গ্যান তারক্লিবসি ইবুং য়াম্না নুংঙাইরে, ইচলগীসু ইবুংনা সাইকল অমা হেক লৈবীরগা লোইরেদনা। ঐখোয় থানিলগা নবানি সাইকল অমমম তোংদুনা কলেজ কামিন্ননবা।

থানিল :- অদুদি থাইবেম্মা নঙসু য়ুমদা চৎলো, কলেজ কান্নবা লোইশিল্লুরো, ঙহাক লৈরগা ঐ নোয়দা নঙ লৌবা লাকঅগে।

থাইবেম্মা :- হোয়, অদো তাচৌ থবক শংলকান্দা ঐখোয় বাবানা অমুক্তা লাকপীয়ু ৱা খরা তান্নসি হায়রকপনি, ঐ চৎলে তাচৌ।

নোংপোকঙানবা:- হোয় হোয় লাক্কে লাক্কে চৎলো চৎলো। হায় থানিল নঙসু চৎলোনে চাক্তু প্রপ প্রপ থোংদোক্লুরো থেংশ্রনিনে।

থানিল :- অস! ঐখোয় তাচৌসিমা...।

-ম্যুজিক-

(মতম: সন্ধ্যা লাই-ধুপ থান্নবা মতম, মফম: কোইরেংগী য়ুম, লৈবাক হৈবা, চেক থাদবা, নুং-লৈঙোয় হোনবগী চরাংনবা মখোল তাবা)

কোইরেং :- হকচাংনা হকচাং ঙমদবনে, সন্ধ্যা মতম য়ৌশিনলক্লসিফাওবা মোয়গী নুং-লৈঙোয়, চেক হোনবা গাড়ীগী মখোলসে শুংলেপ হেক লেপ্তুনে, নাকোং শিংজা য়েরে, মী অশুক কুংনা তারিবা মফমসিদবু মাগী তোলঙৌ হায়সিনা চেক্কোন তৌনি হায়দুনা নংহৌররোই মতাদৌনা পরপ-পরপ হেক্তা তৌরকইসিবো, লৈকায়শিংসিসু করিমতা হায়দে তুমিন-তুমিন অদুম য়েংদুনা লৈ, পৈশা পায়বা মীনবু তৌরদি লোয়না হেক্তা য়ারবমাল্লে (শাওবা, লোকসু খুবা) ।

মনিলৈমা :- মোয়বাবা, কৈদৌরগে অদুক শাওবিরিদুবো, শে অমুক্তা তপথবীয়ুসে, শাওরবদি লোক খুবসু হেল্লনি, মীগী মরমদা চেক্কোন তৌনবা শেম শাবশিবু কৈদৌই হায়গে, ঐখোয়গী ইরমদা তৌরবসু নৎতবদুদা মোয় বাবানা অদুক শাওবিরিদুবো।

কোইরেং :- হায় নঙ ঙসি নঙ খোইদৌনা খোইদৌ শাওগৎপনে, লোকনা লোক খুবনে নঙোন্দা লোয়না তাইনরক্তুনা তোকচনি, মাগী তোলঙৌ হায়দুনা চেক্কোন তৌবদা শাওনিংবা কলকপা নৎতেনে, মীগী য়ুম হেক মনাক্তা চেক্কোন শাজিল্লকপদুদি ফৎতে, মফম চাদে হায়বনিনে, ঐখোয় পুম্নমক্কী হকচাংদা অকায়বা অমাঙবা ওইহনবতা নৎতনা অকোয়বগী নুংশিৎসু শেংহনলরোইদবনিনে (লোক শিথা-শিথা খুবা)।

থাইবেম্মা :- অস! বাবা লোক য়াম খুরে, সে লোক খুবগী হীদাকসে অমুক্তা থকশিনলো হায়বনে, শে বাবা।

মনিলৈমা :- হো ৱাবু শাওরিবনি হায়দুনা শং শংদনা হেক ঙাংঙে অদুদদি লোক খুবা তাবা।

কোইরেং :- মতোইনরা মনিলৈমা নঙ, মী উশিৎতবা শারদনা খঙনি নঙ, লিচৈশিনা নয়াংলেন্দুদা শান্থগে খঙনি নঙ।

থাইবেম্মা :- ঐখোয় ইমাসিসু ওন্থোক্লা গ্যান তাখিদরে, বাবানা শাওরে খঙলদি তুমীন্না ঙহাক্তং লৈবা কৈদৌগে। ঐখোয় বাবাগা ইমাগগী মওংসে ঐ য়াম তনশিল্লক্লে ঐ কদায়দনোম্মা লৈজখ্রসিরা খঙদে।

মনিলৈমা :- এ! নঙদি কদায়দা কনাগীদা লৈরুগদৌরিবা, লৈশাবী ফারকানসিদা ঐখোয়বু বদনাম চাহনগে হায়রিবরা।

কোইরেং :- নোয় নমা-নচা ঙহাক্তা তুমিন লৈয়ুবা, ঐবু স্বরগসে লোয়না ফুন্দুনা শিগদৌরে (স্বর চাওনা চাওনা হোনবা)।

থাইবেম্মা :- বাবা সে ইলহেলর সিদা লৈরে সে, সে হায়বনে (পাখৎপা)।

নোংপোকঙানবা:- (লাকপা) মাম্মা... মাম্মা... কৈদৌরে, সে অমুক্তা স্বরদু শাংনা হোন্থবীয়ুসে।

থানিল :- মাম্মা... মাম্মা... খরা ফরবরো, সে মীৎ পাংঙো।

মনিলৈমা :- মোয় বাবা... মোয় বাবা... সে খরা ফরবো?

কোইরেং :- (স্বর শাংনা হোন্থরকপা) হুম... উম খরা ফরে, নোয় অনিবু কদায় কদায় চৎলুবনো, সিদা সুম লাকইবরা।

নোংপোকঙানবা:- হোয় খুরা, খুরা উনগে হায়দুনা লাক্লিবনি, লৈকায় ক্লবকী মীওইশিংগসু উন্নদুনা ৰা খরসু খন্নরুবনি।

থাইবেম্মা :- তাচৌ করি করিবু হায়নরক্লবগে, খুরা তোলঙৌগী চেক্কোনসিবু ঐখোয় স্বাইদসুম তৌবদা তারবরা?

থানিল :- হৌজিক ঐখোয়গা খুরা তোলঙৌগসু ৰারী শান্নরক্লবনি, মাগী চেক্কোনসি মাগী আ চীংয়াগী অহাংবা লমদুদা ওইনা তৌরগনি হায়দুনা হায়হৌরে।

মনিলৈমা :- ফরেদা, তাদা তোলঙৌনা মাগী চেক্কোন মফম হোংদোকপা য়াহৌরে হায়বসি, ঐদি নুংশিৎ শেংহনলক্তবদগী হকচাংদা মাংলক্কদবা ময়ামদুদি খনবু খল্লুদরে হান্নদি, হৌজিক্তা খনজিল্লুরগা য়াম্না কীরকই।

কোইরেং :- নঙ হৌজিক্তা ভাব তারক্লবোরে, থেংলসু থেংনা গ্যান তারক্লিবসি য়াম্না ফরবনি।

থাইবেম্মা :- তাচৌ, নহাল তাচৌনা মালেমগী ওইনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ থোকহল্লক্লিবা অসিদগী ঙাকথোক্লবা থবক থৌরমশিংগী মরমদা পায়খৎলিবা প্রোটোকোল এগ্রিমেন্টশিংগী মরমদা তাকপীগনি হায়বদু হৌজিক খরা তাকপীরম্মো।

মনিলৈমা :- হোয়নে ঐসু খরা খংহৌগে, ননে ঐখোয়দি লাইরিকসু মপুং ফানা হৈহৌদ্রবনিনা হৌজিক মালেম পৃথিবীসিদা করি করি তৌরিবগে হায়বদু অমতা খংবা পোৎ নৎতরে, চাকথোং-ফৌসু, ফীশু ফীজাম খরা তৌরগা মতম পংলেন লেন্দুনা লৈরবনিনা।

কোইরেং :- ইবুংঙো নোংপোকঙানবা, খুরাদি নোয়দৌনা লাইরিক কাহেন্না হৈহৌদ্রবসু, লৌমী ওইজরবসু, খবর পাবা, রেডিও, টি.ভি.গী পাও তাবা, জর্নেল পাবদি লেপ্পা লৈতে অদুনা খুরাদি হৌজিক মালেমসিদা করি করি তৌরি হায়বদুদি খরা খরদি খঙঙি, ঙায়খো ইবুংঙো নোয়গী UNFCCC হায়বদি য়ুনাইটেদ নেসন্স ফ্রেমৱার্ক কনভেন্সন ওন ক্লাইমেৎ চেঞ্জ হায়রিবা অসিদা য়াওরিবা লৈবাক কয়াদগী লাকপা পার্টিশিংগী কনফরেন্স অদু নত্রা ‘কোপ’ হায়রিবসি।

নোংপোকঙানবা:- মানি খুরা, খুরাদি য়াম্না মমুৎ তানবু খংলম্মীনে। কনফরেন্স ওফ দ পার্টিজ (কোপ) হায়রিবসিগী অহুমশুবা মীফম কোপ-থ্রি হায়রিবদুদা কিয়োটো প্রোটোকোল অসি ইং ১৯৯৭ তা শেমখিবনি। অসুম্না চহি খুদিংগী মালেমসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লেপ্তুনা কনফরেন্স পাংথোক্তুনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জদগী ঙাকথোক্লবা এগ্রিমেন্ট কয়া শেম্লে। হন্দক্তা ‘কোপ টুৱেনতি ফাইব’ কী মীফম অসি ইং ২০১৯ গী ডিসেম্বরগী তাং ২দগীনা ১৩ ফাওবা মেদ্রিদ, স্পেনদা ফমখ্রে।

থানিল :- তাচৌ, ইউ এন এফ সি সি সি গী পেরিস এগ্রিমেন্ট হায়রিবসিগী মরমদসু খরা তাকপীয়ু।

থাইবেম্মা :- ঙসি তাঞ্জা চারিঙৈসিদা তাচৌদগী খঙবা য়াবা খঙহৌরগে, তাচৌদি হীরমসিদা এক্সপার্টনিনা।

নোংপোকঙানবা:- পেরিস এগ্রিমেন্ট অসি পেরিসতা ফমখিবা ‘কোপ টুৱেন্টিৱান’ গী মীফম অদুদা লৈবাক ময়াম্না য়ানখিবা এগ্রিমেন্ট অদুবুনি। হায়রিবা পেরিস এগ্রিমেন্ট অসি ইং ২০১৫ গী ডিসেম্বরগী তাং ১২দা দ্রাফ তৌরবা মতুংদা লৈবাক ১৯৫না সাইন তৌদুনা ইং ২০১৬ কী নভেম্বর তাং মরিদগী চৎনবা হৌখি।

কোইরেং :- ইবুংঙো, এগ্রিমেন্ট অদুদা করি করিদি য়াওই।

মনিলৈমা :- ইবুংঙো ইনে চা লোনবীরুখিগে, ইয়াসে নোয় ময়াম্না হংবা খুম্নবা হোৎনবদা খনাওগা লোয়না কংবা তারে।

নোংপোকঙানবা:- হৌজিক মালেমসিদা গ্লোবেল ৱার্মিং থোরক্তুনা শাবগী চাং ৱাংখৎলক্লিবা অসি ইন্দষ্ট্রিয়েল রিভোলুসনগী মমাংদা লৈরম্বা টেম্পরেচর অদুদগী সেলসিয়স ডিগ্রি অনি য়ৌনা হেনগৎহন্দবা হায়বদি সেলসিয়স ডিগ্রি ১.৫ রোমগী চাংদগী ৱাংখৎহন্দনবা হোৎনবা হায়না লৈবাক খুদিংমক্না ৱারেপ লৌখি।

থানিল :- তাচৌ থেংঙে চৎলসি, ঐদি চাকসু অমুক থোংলুখিদোইনি, তাচৌদি য়ুম হেক য়ৌবগা পেপর ইরিবনি, ক্লাস নোট শেল্লিবনি, অদু তৌরিবনি আদা তৌরিবনি হায়দুনা চাক থোংবসু য়াওবিদৌ নৎতে।

নোংপোকঙানবা:- চৎলসি চৎলসি, অদুদি মান্মা ঐখোয় অমুক য়ৌজরগে, ইনে ঐখোয় চৎলগে।

মনিলৈমা :- (ইমুংদগী) হায় কৈনোনে নোয়বো ঙায়খোনে, চা লোনবা লোইরেনে, চাসিদং থক্লগা চৎলুনে।

থানিল :- ইনে চৎলগে থেংঙে, নোংমা ওইনা থক্লগে।

-ম্যুজিক-

(মতম: অয়ুক, মফম: চীংয়াগী লৌবুক, উচেক ৱায়ানা খোংবগী মখোল)

মনিলৈমা :- মোয় বাবা, ঐখোয়গী লৌবুকসে পুমশং শংলে, য়েংবগী পেনবা নাইদরে, ঐখোয় লৈকায় ময়াম্না মফম স্বাইদা চেক্কোন তৌবা থীংহৌবসে য়াম্না ফৈকো।

কোইরেং :- নঙবু হান্নদি মশাগী লৌফমদা তৌজববু করি কাই তৌজসনু হায়রমদাইনে।

মনিলৈমা :- ঐদি কনানা খংনি মীয়াম লৈবা মফমদা নক্লা চেক্কোন তৌরবদি মদুদগী থাদোরকপা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইরবা গ্যাসশিংনা লায়না কয়া থোকহল্লক্কনি হায়বদুদি।

থাইবেম্মা :- ইমা, বাবা ! ঐ লাইরিক মখা মথং-মথং তমথদুনা তাচৌ নোংপোকঙানবদৌনা ইনভাইরোন্টমেন্টেলিষ্ট অমা ওইগেকো।

কোইরেং :- উম ওইগদবনি, ইপানা হেক ঙল্লিবমখৈ ইচানা তম্লিংবা খুদিংমক তমহনগনি।

থাইবেম্মা :- অদো বাবা হন্দক ফৌ হেক লোকখিবগা ঐখোয়গী লৌফমসে হাংদুনা থমগুমসি, হঙ্গাম য়েলা থাসি অদুগা মরু লোল্লগা হঙ্গাম থাও শুমসি।

মনিলৈমা :- হোয়নে মদুমাইনা তৌরদি ইশানা শুমজবা থাউ অশেংবা অফবসু চাবা ফংলনি, য়োনসু য়োল্লনি, ফনবু কান্ননি।

কোইরেং :- আদা সাইকল তোংদুনা লাকইসিবু থানিলগা নোংপোকঙানবগা নৎতরনে।

থাইবেম্মা :- মানি বাবা, মোয়দি কদায়দা চৎলিজাৎনো।

মনিলৈমা :- হো ইবুংঙো থানিল... নোংপোকঙানবা নোয়বু কদাইদা চৎলিনো, শোমদা অমুক্তা লাকখোও (কৌবা) ।

থানিল :- (সাইকল মন্দিলা খীংবা) এ ! এ ! তাচৌ কৈনো খঙইন ইনলমলিদুবো, তপ্পা কুম্বা য়াদরো অদুক কন্না চোংথরিদুবো, ঐ হৌজিক নুং মরকসিদা তুশিন্দুনা য়াসি তেক্লদি মীনা ঐবু পাখং য়াতেকপা হায়নরোইদরা।

নোংপোকঙানবা:- (নোকপা) মসি অঙাংসিদি, তেকহৌদ্রবা নৎতরো নয়াদো, নরাইবক ফরবনি।

কোইরেং :- নোয়বু কদায়দা চৎকে তৌরিবনোনে অয়ুক ঙন্তাসিদা।

থানিল :- মাম্মা, ইচিল-ইনাও এক্সরসাইজ ওইনা সাইকলসি থৌদুনা লৌবুক লমহাংশিং য়েংলুসি হায়দুনা লাকপনিদা।

নোংপোকঙানবা:- ইচিল ইনাওদি ইঞ্জিল পানবা গাড়ী তোংদুনা নুংশিৎ শেংহন্দনবা গ্যাসশিং এটমোস্ফিয়ারদা য়ারিবমখৈ থাদোক্তনবা ৱারেপ লৌনরে অদুনা সাইকল নত্রগা খোংনা য়ারিবমখৈ চৎপগী হৈনবীসু থল্লে মান্মা।

মনিলৈমা :- নচিল ননাওনা লৌরিবা ৱারেপতুমুক ফবা লৈত্রবনি, হকচাংসু ফরনি, অকোইবগী ফীভম কায়হন্দনা থন্বদসু চাওনা মতেং ওইরনি।

থানিল :- ইঞ্জিল পানবা গাড়ী শুংশিমক শিজিন্নদবা হায়বসিসু য়াবা নৎতে অদুবু মফম মতম তাঞ্জাগী মতুংইন্না শিজিন্নদুনা, কাহেন্না নুংশিৎ শেংহনলক্তবদগী ঙাকথোকসি হায়বতনিদা।

থাইবেম্মা :- বাবা ঐখোয়গী য়ুমদগী কলেজ ফাওবগী লম্বী অসি পংশাং শাংবা নৎতে, ঐগীসু সাইকল ওইনা লৈবীরো ঐসু হয়েংদগী সাইকল থৌরগে।

কোইরেং :- লৈথোকসু ঙাইদনা, লৈনি ইচাগীসু করিগী লৈদনি, ইচানা গ্যান তারকপসে ইপা নুংঙাইরে।

থাইবেম্মা :- তাচৌ, ঐখোয় বাবাগা ইমাগা ঙহাক ৱারী শাদুনা লৈবীরম্মু সিদা, ঐ থানিলগী সাইকল মনিংদা নপ্তুনা অশ্বাই ফাওবদং কোইরুগে। লাকও থানিল চৎসি লাকও, সে লাকও হায়বা।

থানিল :- হুম, ঐ নঙ পুরগা সাইকল থৌবা ঙল্লোই, মী ময়াম্না কোয়েং য়েংনরক্কনি ঐ ইকাইজৈ।

থাইবেম্মা :- লাকও, অদু ওইরগনা ঐ ওইনা থৌরগে, সি নপকও লাকও।

থানিল :- কৈনোনে মসিবো করি লৈশাবীনো অনম অসুক য়াম্না কনবসিবো, মীনা তল্লি হায়রমক্তদা।

মনিলৈমা :- করি পাখংনোনে ইবুংঙো নঙসু, লৈশাবীনা অসুক কন্না হায়রসিমক্তদা শিখাং হেক খংদুনা লৈরিদুবো।

নোংপোকঙানবা:- চৎলোনে কোক হেক চৎলোনে, মসি অঙাংসিদি।

থানিল :- অওইমক্কী চৎলো হায়রিরো তাচৌ... তাচৌনা য়ারবনিনা চৎলে তাচৌ।

কোইরেং :- (নোকপা) ওন্থোকপা অঙাংশিংনিদকো...।

-ম্যুজিক-